শা-ষণ য়োকপদা চেজনবা

ডো. সরাংথেম জেসমারানি

ঐখোয়গী লমদমসিদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা শা-ষণ, য়েনঙানু কয়া অমা য়োক্লরি অদুবু য়োক্লিবা খুদিংমক মওং মরীল নাইনা য়োকপা হৌবদগী হৌনা চেজনবগী হৈনবীসি কয়া উবা ফংদে। য়োক্লিবা খুদিংমক্কী চেজনবা হায়বদি রেকোর্দ থন্বসি য়াম্না মরুওই। রেকোর্দ থন্বীবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি য়োক্লিবা খুদিংমক্কী মরী মখোঙ কয়া অমা ইদুনা থন্বীহৌরগা মদুদগী পায়খৎকদবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়াই। রেকোর্দতা শা-ষণ য়োকপদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ইশিনবীবা, মাগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, মপু/ ডাক্তরশিংনা তৌরিবা থৌদাং কয়া অমা ইশিনবা য়াই। রেকোর্দশিংসি শা-ষণ মপুশিংনা নিংথিনা, ফজনা অমদি চুম্না ইবা মথৌ তাই।

রেকোর্দতগী পীরিবসি ঃ

- ফার্মদুদা য়োক্লিবা খুদিংমক শেন্দোং লৈবা ঙম্লিব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- কাউখ্রবা হীরম খুদিংমক অমুক নীংশিংহন্দুনা মখা চত্থবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দ য়েংলগা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পীবা ঙমহল্লি।
- অনৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা য়োক্লিবা খুদিংমক্তা চঙলিবা ময়ামদু রেকোর্দকী মতেংনা কান্নরিবরা কান্নদ্রিব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা হান্নদগী শোথরল্লবসু মসিদগী হেন্না/ফনা থন্নবা মওংদা শেন্বীবা য়াই।

রেকোর্দকী কান্নবশিং :

- লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী শক্তাকপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা অফবা শা-ষণ খনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- রেকোর্দকী মতেংনা নক্লবা ঈ মরীগী মচা লৌহন্দবা ঙমহল্লি।
- ফার্মদুদা লৈরিবা অফবা শা-ষণ খন্দোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- ফার্ম শেন্নরিবা শিন্নীশিংসু রেকোর্দকী মতেংনা নিংথিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা লায়না লায়ওং কয়া খঙদোক্তুনা অমুক হঞ্জিন্না লাক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবা ঙমহল্লি।
- অমাঙ অতোঙ কয়া অমসু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- শা ষণগী পুথোরল্লিবা পোত্থোক কয়া অমা রেকোর্দকী মতুংইন্না মমল তিক্লরগা য়োনবা য়াই।

রেকোর্দকী মখল ঃ মরুওইনা রেকোর্দ মখল খরা ঃ **(ক) শক তাকপগী রেকোর্দ ঃ** করিগুম্বদা শা ষণশিং মশীং য়ামদনা থম্বা ওইরগদি শক তাকপগী রেকোর্দ থমদ্রগসু য়াই। য়াম্লগদি লায়না খঙবা ঙম্নবা শা-ষণ খুদিংমক্তা ট্যাটু তৌবা, মৈ ইকপা য়োৎনা হকচাংদা নম্বীবা, মনাদা নম্বর নম্বা নৎত্রগা কাচি কারোং শেমদুনা ককপা, মনাদা নম্বর য়াওবা থেৎপা, মমৈদা মশক খঙনবা থেৎপা অসিনচিংবা কয়া অসি তৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মঙক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী থৌরি থুবা নৎত্রগা মশাদা কোক্তবা মচু কয়া শঙবা অসিনসু শক তাকপগী রেকোর্দ ওইবা য়াই।

(খ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ মসিগী রেকোর্দসি য়াম্না মরুওই। মসিনা মচা লৌখ্রবা পুথোরক্কদবা পোথোক ময়াম অমা খঙবা ঙমহল্লি। ষণবুশিংনা চহী অমদা মচা অমা পোকপা হায়না পানরি। ওক্লা চহী অমদা মচা অনীরক পোকপা হায়না পান্নরি। করিগুম্বদা মচা লৌবগী রেকোর্দ ময়াম অমা থম্লগদি লৌখ্রিবা শা-ষণদুদা থোক্লক্লিবা অশোয় অঙাম ময়াম অমা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদা হীট লাকপগী মতম, মচা লৌবগী মতম, করিগুম্বদা মচা কায়রকপা, মসিদা তৌবিহৌবা চেকশিন থৌরাংশিং, ময়াম অমা রেকোর্দকী মতুং ইন্না খঙদোকপীহৌরগা তুং কোয়না থমহৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমা খন্দোকহৌবা ঙমহল্লি। অসিগুম্বা ৱিদিংগী রেকোর্দসিদা লৈরিবা শা-ষণদুগী মমা মপা, মপু মবেনগী মরমদা ইশিনবীহৌবা মচা লৌখিবগী, পোকখিবগী, চহী কয়া শুবদা অহানবা চাবোক ওইখিবা, থংননা পোকপা চাবোক অনী মতম অমদি পোক্লিবা মচাদুগী মরমদা হায়বদি পোকপগী মওং মতৌ, মচাদুদগী অরুম্বা অসিনচিংবা ময়ামসি রেকোর্দ ওইনা থন্বীবা য়াই।

(গ) পোথোক পুথোকপগী রেকোর্দ ঃ শা-ষণ, য়েন কয়া লোইদুনা ফংলক্লিবা পোথোকশিংসি রেকোর্দ তৌশিনবীদুনা নোংমগী নৎত্রগা হাপ্তাদুগী নৎত্রগা মতম খরদুগী অমাং অতোং খঙদোকপদা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণদুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিংদু য়েংলগা তুং কোয়না থম্বদা কান্নরিবরা কান্নদ্রিবরা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।

(ঘ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ মচিঞ্জাক্কী রেকোর্দতগী ঐখোয়না শা-ষণদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুগী মখল কয়া য়াম্না পীজখিবা অমদি মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটিগী মরমদা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না নোংমদা চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না কয়াম য়াম্না পীজবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা কয়াম লেম্মী/মাঙই হায়বদুসু খঙবা ঙমহল্লি। পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দকা মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দকা য়াম্না মরুওই। মরমদি পুথোরল্লিবা পোৎথোক হায়বদি শঙ্গোম কয়াম পুথোকপগে হায়বদুগী মতুংইন্না পীজবীগদৌরিবা মফোনগী শরুক অদু হেনবা, ৱাৎনা পীজবীবা য়াই।

(ঙ) লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দসিনা মমাঙদগী কয়াম য়াম্না লায়না লায়োঙ উৎখ্রগে অমদি লায়েংবগী মওং খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা অমুক হঞ্জিন্না নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদগী তোঙান তোঙানবা শা-ষণগী হকচাংগী ফীভম খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মতম চানা টিকা থাবা, তীলহাৎ হীদাক থাবা ঙমহল্লি। রেকোর্দসিগী মতেংনা থাখ্রিবা হীদাকশিংদুগী মতুংইন্না পুথোক্লিবা শা-ষণগী পোথোকশিংদু কয়াম কুইনা মীওইবনা চাবা য়াদবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ থম্বা মতমদা লায়না লাকপগী নুমিৎ, টিকা থাবগী, তীলহাৎ হীদাক থাবগী, শিখ্রগা পোস্ট মোর্টেমগী রিজল্ট কয়া অমা হাপ্লীগনি।

(চ) চাগা চাদিংগী রেকোর্দ ঃ শা-ষণ য়োকপদা চঙখ্রিবা অমদি লাক্লিবা খুদিংমক রেকোর্দ থন্বীগনি। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংগী অমাঙ অতোং খঙদোক্লগা ফার্মদুগী ৱারেপ কয়া অমা লৌবা ঙমহল্লি।

রেকোর্দ শেম্বগী মওং খরা ঃ

ক) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ

ষণ ন:				
অকোনবা মচা পোকপা	ডাক্তরনা য়েংবা নুমিৎ	য়েংবগী রিমার্ক	মচা লৌবা নুমিৎ	মচা পোক্কদবা নুমিৎ

খ) লায়না লাকপা অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ

নুমিৎ	শা ন:	লায়না মখল	লায়েংবা মওং	রিমার্ক

গ) টিকা থাবগী রেকোর্দ

নুমিৎ	টিকা থাবা	টিকাগী মখল অমদি চাং	রিমার্ক

ঘ) তীল হীদাক থাবগী রেকোর্দঃ

নুমিৎ	তীল হীদাক থাবা	তীল হীদাক মমিং অমদি মখল	রিমার্ক

ঙ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ

নুমিৎ	শা মশীং	মচিঞ্জাক পীজবা (কেজি)			রিমার্ক
		অয়ূক্তা	নুমিদাংৱাইরম	পূন্না	

চ) ষণাও মচাগী রেকোর্দ ঃ

ন:	পোকপা নুমিৎ	লাবা/অমোম	মপা ন:	মমা ন:	রিমার্ক

অসুম্না শা-ষণ লোয়বিরিবশিংনা রেকোর্দ নীংথিনা থন্বীরগদি মতম মতমগী ওইবা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা শা-ষণ য়োকপা ঙমগনি। ●

চরূ মৈ থাবা তোক্কুনা ইশাগী ইরল কল্লসি

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মণিপুরগী মপূং ওইবা লৌরোক মতম লোইখিবগা ঐখোয়গী লৌফমশিংদা মপৈ-মপৈ লৈরিবা চরূশিং মৈ থাবা অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়াম্না তোয়না থেংনবা অমদি খঙনরবা ৱাফম ওইরি। মণিপুরগী তম্পাক্কী অপূনবা লৌফম পরি লিশীং ৪৯ লোমদা ফৌ থাদুনা পোৎথোক্লা কেজি লিশীং ১৭৬.৮ রোম পুথোক্লি। অসুম্না ফৌ থাবা লৌফমশিং অসিদগী চরূ কেজি লিশীং ২৬৫.২ রোম পুথোক্লিবা অসি অয়াম্বনা মৈ থাদুনা মাঙহল্লি। মমাঙঙৈগী মতমদদি চরূ অসি শা-ষণনা চানবা অমদি ইমুং-মনুংগী মৈ থাদুনা শীজিন্ননবা, লৌ য়ৈবা লোইবগা মপুন-মপুন শেল্লগা পুখৎনরমই। অদুবু ঙসিদি মেছিননা য়ৈবা চরূশিং অসি মপুন শেম্বদা খুদোংচাদবা লৈবনা মরম ওইদুনা মৈ থাদোক্তুনা ঐখোয়গী য়াল্লবা ইরল কয়া অমা মাঙহল্লি। চরূ মৈ থাবনা ঐখোয়দা মাঙহল্লিবা মরমশিং:

(ক) অকোয়বগী খল : চরূ মৈ থাবা মতমদা Carbondioxide 70%, Carbon monoxide 7%, Methane 0.66%, Nitrous Oxide 2.9% থাদোরক্তুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি অমদি নোংজু নুংশাগী খলদা অকায়বা পী। চরূদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈগদবা জীব কয়াগী লৈফম মাঙহল্লি। লোয়ন লোয়ননা মৈ থাবগী মৈশা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তা লৈবা তোঙান-তোঙানবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিং ফাওবা মাঙহল্লি। (খ) চৎথোক-চৎশিন : চরূ মৈ থাবদগী থোরকপা মৈখুশিং অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিংদা খুদোং চাদবা পীদুনা অশোক-অপন নৎত্রগা মীশি-মীনা ফাওবা থোকহল্লি। (গ) পাম্বীগী মচিঞ্জাক মাঙহল্লি : মপূং ফানা কংলবা চরূ কেজি লিশীং অমদা নাইট্রোজেন কেজি ৫-৮, ফোসফরস ০.৫-১.২, কেলসিয়ম কেজি ৩-৪, মেঙ্গানিজম কেজি ১-৩, সিলিকোন ৪০-৭০ রোম য়াওই। অসুম্না পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা মচাকশিং অসি মৈ থাবা মতমদা কার্বোন, নাইট্রোজেন অমসুং সলফরগী অয়াম্বা শরুকশিং অদুগা ফোসফরস, পোটাসিয়ম অমদি মোলিবদেনমগী শরুক খরা মাঙহন্দুনা ঐখোয়দা অচৌবা মাঙজবা ওইহল্লি। (ঘ) ষণ, ইরোইশিংগী মচিঞ্জাক মাঙহল্লি : চরূদা শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইগদবা মচল অসি মরাং কাইজদ্রবসু ঐখোয়গী লমদম অসিদদি চরূ অসি শা-ষণগী মচিঞ্জাক্তা শোয়দনা য়াওদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরি। নোংমগী মনুংদা কেজি ১০০ লূম্বা ষণ অমনা চরূ কেজি ১-১.৫গী চাং চাগদবনি। অসুম্না কান্নবা মওংদা শীজিন্নগদবা পোৎলম অসিবু মৈ থাদোকপনা মপূং ফানা মাঙহল্লি।

অসুম্না চরূগী কান্নবা মপূং ফানা খঙদবনা মরম ওইদুনা কান্নখ্রবা পোৎচাক অসিবু চন্নদ্রবা পোৎশক অমগুম লৌদুনা মৈ থাদুনা মাঙহল্লি। চরূবু শীজিন্ননবগী ওইথোকপা য়াবা মরম খরা পীজরি। (অ) লৈবাক লৈশা হেন্না ফগৎহন্নবা : চরূ অসি মওং অমা নৎত্রগা অমদা লৈবাক্তা খোইজিল্লবা/তোৎশিল্লবা মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক লৈশা ফ্রোং-ফ্রোং লাওহন্দুনা পাম্বীগী মরা মনীং মখা তম্না চৎপা ঙমহল্লি অমদি পাম্বীগী শাহৌ ফহল্লি। চরূগুম্বা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিংনা পত্থ-পুমথরগা ওইরকপা লৈবাক লৈশাশিং অসিনা ঈশিংগী ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমই। অমরোমদা অমুক লৈবাক মনুংদা লৈবা অহিংবা হীংকুপশিং অসিনা হিংদুনা লৈনবগীদমক চরূ চনাইগী পত্থ-পুমথবগী মচাকশিং অসিসু চঙলিবনি। অসুম্না লৈবাক লৈশানা লৈহাও লৈনা লৈনবগীদমক চরূদা য়াওরিবা কান্নরবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অদু খোইজিন্দুনা লৌফম অদুদা ফংহনবা ঙমই। লৈবাক লৈশানা মতম শাংনা লৈহাও লৈনা লৈনবগীদমক চরূ নৎত্রগা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক্তা খোইজিনবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। (আ) চেঙ্গুম/চরূয়েন থানবগীদমক : মহৌশানা লমহাং তুহাংদা ফংলিবা চেঙ্গুম/চরূয়েনশিং অসি নত্তবা ঐখোয়না মরূ হুল্লগা থাবা য়াবা চেঙ্গুম/চরূয়েন মরূশিং ঙসিদি ইরায় লায়না ফংলে। অসিগুম্বা চেঙ্গুম/চরূয়েনশিং অসি থানবগী খ্বাইদগী ফবা পোৎচাক অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদদি চরূনা ওইরি। মরম অদুনা চরূ অসি মওং চুম্না লৌশিনবীদুনা শেম্থোক লন্বী অমা ওইনবা মওংদা ফাওবা চঙশিনবা য়াই। (ই) কম্পোষ্ট শেম্বা : চরূ অসি শা-ষণগী মথী-ময়ুং অমদি চরূ চনাইবু থুনা পত্থ-পুমথহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং তোৎশিল্লগা কম্পোষ্ট শেম্বীবা য়াই নৎত্রগা ভর্মি কম্পোষ্ট হায়না খঙনবা তিল্লোক মথীগী হার অসি পুথোক্লবগীদমক চরূ অসি মরূ ওইবা পোৎচাক অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই। (ঈ) শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা : ষণ-ইরোইশিংদা চরূ অসি তঙাইফদনা পীজদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওই। মখোয়দা য়াওরিবা মচি ওইবা মচাকশিংগী চাং ৱাংখৎহন্নবা অমদি শা-ষণনা হেন্না পাম্বা চানবগীদমক য়ুরিয়া ২-৪%গী চাংদা তোৎলগা শীজিন্নবীবা য়াই। তৌবতদি থৌওং অসিগীদমক অখঙ অহৈশিংগা হান্না তানবিবা তঙাইফদে। (উ) শা-ষণগী শঙ্গোলদা : চরূ অসি য়াম্না তেন্না নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা অশাংবগী চাংদা ককপীরগা শা-ষণ নৎত্রগা য়েনঙানুগী মকোলদা শীজিন্নবিবা য়াই। অসুম্না শীজিন্নবিরবা চরূশিং অসি অমুক পাম্বীশিংগী হার শেম্বদা মতেং ওই।

তোঙান তোঙানবা মওংদা চরূ অসি শীজিন্নবিরগা শা-ষণগী মথী ওইনা, চেঙ্গুম থারুবগী লেমহৌখাক ওইনা কম্পোষ্ট ওইনা নৎত্রগা চরূ ওইনা অদুম লৈবাক লৈশাদা খোইজিন্দুনা ফৌ পাম্বীনা লৌফমদগী লৌথোকখিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক খরা অমুক হন্না লৈবাক্তা ফংহনবা য়াই। অসুম তৌদুনা চরূ অসিবু মওং অমা নৎত্রগা মওং অমদা শীজিন্নবীদুনা মৈ থাদুনা মাঙহনগদবদগী কল্লসি। ●

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ **অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মনুংদগী মপান্দা চাউনা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, অমাংথোঙদু য়াম্না চিকনা-নাবা তৌরগা ফম্বা অমদি চৎপা ফাও ঙমদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুকচেপ নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা অহানবা নারকপদা অমাংথোঙ ময়াদা চনা মরূমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা অমদি খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অদু লৈকায়গী অশেম্বা হীদাক চাবদগী ফখিবদগী মতম খরগী মতুংদা শা-ঙা য়াম্না তোয়না চাবদগী অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মনুংদগী মপান্দা চাউনা পোমথোরল্লগা লৈবা, পোমথোল্লগা লৈবা অদুনা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, ফম্বা অমদি চৎপফাও ঙমদবা চিকপা-নাবা অদুনা মরম ওইদুনা, অহিং ফাও তূম্বা য়াদবা চিকপা-নাবা অদুনা, খোঙ হাম্বা মতমদসু সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদসু য়াম্না থুপ্পা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা অমাংথোঙ মনুংদগী ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, কোক ঙাওরকপা অমদি মীৎ তন্দন পাইরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুকচেপ নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা তৌরকপা অদু লৈকায়গী অশেম্বা হীদাক অদু অমুক হন্না চাবা মতমদা চার-চারগা অনাবদু হেনগলিকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/30 *থাগৎচরিবা :* **Ch. Romeo Meetei,** Konthoujam

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ **খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা করিগুম্বা অমা চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ তোয়না-তোয়না হাম্বা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবগা পুক নাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি**

ঐ মতম শাংনা নুংশংনা নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা হেক চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ তোয়না-তোয়না হাম্বা, খোঙ তোয়না হাম্বনা মরম ওইদুনা থবক চৎথোক-খোৎতোকপদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙগা লোইনরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদা তৎপা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদসু য়াম্না থুপ্পা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দসু ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অমা পোমথোল্লগা লৈবা, পোমথোল্লগা লৈবা অদুদা খূৎনা থেংবদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা অদুগা অমুক ঈ তাবা অদু মশানা ফখিবা, চাবা-থকপদা হকচাংদা মচি ওইদবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Thursday & Sunday open)

HL-P/8106/30 *থাগৎচরিবা :* **M. Manglemjao**, Thoubal

ADVANCED COACHING INSTITUTE

ADMISSION OPEN

MEDICAL & ENGINEERING last FOUNDATION COURSE

Last FOUNDATIONCOURSE 2020

CLASS X(BOSEM)
CLASSX(CBSE)

BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 1.30-5.30 P.M

CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)
Last date of admission:6th,Dec.
CLASS STARTED FROM :7th,Dec.
CLASS XI (COHSEM & CBSE)
Limited Seats
FIRST COME FIRST SERVE

REVISION COURSE 2020

CLASSX(CBSE)
CLASS X(BOSEM)
CLASS XII (Sc. cbse)
CLASS XII (Sc.COHSEM)
CLASS XII Arts CBSE & COHSEM
CLASS XII COMMERSE CBSE & COHSEM
OFFICE HOUR : 10 A.M. TO 3.30 P.M

Last date of admission: 16th DEC. CLASS STARTED: 17th DEC'20

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'

SPECIAL CONCESSION

1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.

ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105

HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা

Keishamthong Kabui Nahm Pei Imphal, Manipur

Keishamthong Kabui Nahm (Khun) Thoubei গী খুম্পু ফমদা পুবিরম্বা Pou Kaironga Golmei না মশাগী চহী ৯৩ শুরকপদা খঙহৌদনা মশাগী য়ূমদা থা অসিগী ২৬, ২০২০, ইরাই নুমিৎতা লৈখিদবদা খুনগী খুল্লাকপু, পৈগী বানজা, চানলোইশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপখৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

থৌনিজরিবা - **Keishamthong Kabui Nahm Pei (Thoubei) Imphal, Manipur**

HL-P/8130/30

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা

Keishamthong Kabui Youths' Union Imphal, Manipur

হৌখিবা চহী ১৯৯৮দগীনা ২০০০ ফাওবা ক্লব (কে কে ৱাই য়ু) গী লাইব্রেরি সেক্রেটরিগী থৌ পুবিরম্বা Poupallung Gangmei না মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা ক্লবকী মেম্বর খুদিংমক্না মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি অদুগা ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজখি।

থৌনিজরিবা - **Keishamthong Kabui Youths' Union Imphal, Manipur**

HL-P/8131/30

ꯊꯕꯛ / JOB FOR X AND XII PASS

Lairiksu tamna tamna matam manghandana thabak touba yaraba, ishagi knowledge amasung experience loinana tunggi careersu matik chana semba yaraba Multi National Organisation amagi new Branch singidamak tongan tonganba official post 71 gidamak athuba matamda thabak koujari.

Qualification : X, XII, Graduate
Age Limit : Below 35 yrs.
Income : 10,000/- to 37,000/- (P.M)
Visiting Hour : 12 noon to 3 pm.

NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.
All Male or Female or Freshers can apply.

Athappa Meeoisinggidamak leipham chaphamgi facility leigani.

Apply toubiningbasingna athuba matamda contact toubiraku.

HL-P/8086/23,25,27,30,2 **Contact : 9774986962, 8837369704**

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/7946/29/10-27/11

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্নিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।